# গেঙষ্টর অতিক অহমদতগী মৎখিবা লমদা শাবা ফ্লেট ৭৬ য়ুপিগী সিএম যোগিনা বেনিফিসরিশিংদা শিন্নখ্রে

**প্রয়াগরাজ, জুন ৩০ (এজেন্সী):**

খুৎলায় পায়বশিংনা হাৎখ্রবা গেঙষ্টর অতিক অহমদনা পায়রম্বদগী লৌশিনখিবা লমদা প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা (পিএমএৱাই) গী মখাদা শেল ইচং চঙদনা শাখিবা হাউজিং য়ুনিট ৭৬ উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা ইরাই নুমিত্তা বেনিফিসরিশিংদা শিন্নখ্রে।

বেনিফিসরিশিংদা ফ্লেটশিং অদুবু শিন্নখিবা মফমদুদা চীফ মিনিষ্টর অদিত্যনাথনা বেনিফিসরিশিংগী অঙাংশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নখি। মহাক্না লাইরবশিংগীদমক্তা শাখিবা ফ্লেটশিং অদুগী ফিভমসু য়েংশিনখি। বেনিফিসরিশিং অদুনা শুপ্পগী লূপা লাক্ষ ৩.৫ খক্তমক তিংলগা স্কৱার মিটর ৪১ গী এরিয়াদা শাবা ফ্লেট অমা ফঙগদৌরিবনি।

ওফিসলশিংনা হায়রিবদি কা অনী, কিটচন অমা অমসুং টোইলেট ফেসিলিটিশিং য়াওবা ফ্লেট অমগী মমল লুপা লাক্ষ ৬ নি। গেঙষ্টর ওইরম্বদগী পোলিটিসিয়ন অমা ওইরকখিবা



অতিক অহমদতগী লৌশিনখিবা লমদা লাইরবশিংগীদমক্তা শাখিবা ফ্লেট ৭৬ অদু জুন ৯ দা লোট্টরিগী খুথাংদা বেনিফিসরিশিং খল্লগা শিন্নথোকখিবনি।

প্রয়াগরাজ দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (পি দি এ) গী ভাইস চিয়ারমেন আর্বিন কুমার চৌহাননা ফোঙদোকখিবদা এপ্লিকান্ট ৬,৩৬০ ভেরিফিকেসন তৌরবা মতুং এলোটমেন্টগী লোট্টরি অদু পাঙথোকখিবনি। লোট্টরি অদুদা পুন্না এপ্লিকান্ট ১,৫৯০ ইলিজিবল ওইখি।

প্রয়াগরাজগী লূকের গঞ্জদা লৈবা হাৎখ্রবা অতিক্কী লম অদু গভর্ণমেন্টনা মৎলবা মতুং কুমজা ২০২১ গী দিসেম্বর ২৬ তা চীফ মিনিষ্টর অদিত্যনাথনা স্কৱার মিটর ১,৭৩১ পাক চাওবা লম অদুদা পায়খৎপা এফোরদেবল হাউজিং প্রোজেক্ট অদু উরেপ উয়ুং তমখিবনি।

প্রোজেক্ট অদু প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা (পি এম এ ৱাই) গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অর্বান দিভলপমেন্ট ওথোরিটিস (দি য়ু দি এ) না পায়খৎখিবনি। ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না স্কিম অদুগী মখাদা ব্লোক অনীদা পুন্না ফ্লেট ৭৬ শারে। গেঙষ্টর ওইরম্বদগী পোলিটিসিয়ন ওইরকখিবা অতিক অহমদ কুমজা ২০০৫ দা বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) গী এম এল এ রাজু পাল হাৎপগী মরাল শিখিবগা লোয়ননা মহাক চহী অসিগী ফেব্রুৱারীদা কেস অদুগী মরু ওইবা ৱিটনেস ওইরিবা উমেস পাল হাৎপদসু চেন্নখি।

পনবা য়াবদি, অতিক অহমদ অমসুং মহাক্কী মনাওনুপা অসরফ অহমদ চহী অসিগী এপ্রিল ১৫ দা জর্নেলিষ্টশিং শারগা লাকখিবা মীওই খরনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

থৌদোক অদু মখোয়বু প্রয়াগরাজ দা মেদিকেল একজামিনেসনগীদমক্তা পুরিঙৈদা থোকখিবনি।

# কোকপিটতা গেষ্টশিং চঙহনবগা মরী লৈননা রেগ্যুলেটরনা এয়রলাইনশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জুন ৩০ (এজেন্সী):**

এয়র ক্রাফট অমগী কোকপিটতা ওথোরাইজ কেটিগরিশিংগী মীওইশিং চঙবগা মরী লৈননা পাইলোটশিং অমসুং কেবিন ক্রুবু ৱাখল তাহন্নবা খঙহন্দুনা দিরেক্টরেট জেনরেল ওফ সিভিল এভিএসন (দি জি সি এ) না এয়রলাইন পুম্নমক্তা এদভাইজরি অমা ইস্যু তৌখ্রে।

নোটিস অদুনা হায়রিবদি ওথোরাইজ ওইদবা মীওইশিংনা এয়রক্রাফটকী কোকপিটতা চঙবগী থৌওং অকনবা মওংদা দিল তৌগনি অমসুং অদুগুম্বা থৌওংদুগী মায়োক্তা অকনবা এনফোর্সমেন্ট এক্সনসু লৌখৎলবা য়াই।

এদভাইজরি অদুদা এয়রক্রাফটকী কোকপিট অমদা চঙলগা জম সিট ওক্যুপাইদ তৌবা য়াবা ওথোরাইজ ওইবা মীওইশিং শেংনা পনখি। এদভাইজরি অদুনা হায়রিবদি কুমজা ২০১৯ গী এরোনোটিকেল ইনফোর্মেসন সার্ক্যুলর (এ আই সি ১৭) গী মতুং ইন্না কোকপিটতা



চঙবা য়াবা মীওইশিং অদুদা শুপ্পগী ক্রু মেম্বরশিং, সিভিল এভিএসন দিপার্টমেন্টগী ওফিসর অমা, ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টগী ওফিসর অমা, জোইন্ট সেক্রেটরি অমদি মসিগী মথক ওইবা মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিএসনগী ওফিসর অমা, এয়রক্রাফট ওপরেটরগী এমপ্লোয়ি অমা, এয়রলাইন অদুগী ওফিসলশিং, এয়রক্রাফট ওপরেটর অদুগী ফ্লাইট ক্রু মেম্বর নত্ত্রগা এয়রক্রাফট অদুগী মেন্যুফেকচররগী ওথোরাইজ রিপ্রজেন্টেটিব অমা য়াওরি।

মখা তানা এদভাইজরি অদুনা হায়রিবদি, অয়াবা পীরবা কেটিগরিগী মীওই পুম্নমক্না তঙাই ফদবা প্রি-ফ্লাইট অমসুং পোষ্ট-ফ্লাইট ব্রেদ এনালাইজর টেষ্ট শুংশোই শোইদনা পাঙথোকপা মথৌ তাই।

দি জি সি এনা মসিগী এদভাইজরি অদুগী খুথাংদা মখা তানা এয়রলাইন পুম্নমক্তা মখোয়গী ফ্লাইট ক্রুশিংবু রুলশিং অদু চেকশিন্না ঙাক্লনবা মখোয়বু ৱাখল তাহন্নবা খঙহনখি হায়রি।

# ট্রেন এক্সিদেন্টদা শিখিবশিংগী হকচাং ৮১ গী মনুংদা ২৯ দি এন এ টেষ্টিংগী খুথাংদা আইদেন্টিফাই তৌরে

**ভুবনেশ্বর, জুন ৩০ (এজেন্সী):**

ওরিষাগী বলাশ্বর দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা শাথিরবা ট্রেন এক্সিদেন্ট অদুগী মতুং চয়োল মরিরোম কান্নরগা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা এইমস ভুবনেশ্বরদা কন্টেন্নরশিংদা প্রিজার্ব তৌদুনা থল্লিবা অশিবা হকচাং ৮১ গী মনুংদা ২৯ আইদেন্টিফাই তৌবা ঙমখ্রে।

ভুবনেশ্বরগী মেয়র সুলোচনা দাসনা ফোঙদোকখিবদা অশিবা হকচাং ৮১ আইদেন্টিফাই তৌনবগীদমক্তা দি এন এ সেম্পল ৮৮ ন্যু দিল্লিদা থাখি। সেম্পলশিং অদুগী মনুংদগী ক্লেমেন্ট ২৯ গী টেষ্ট রিপোর্টশিং লাক্লে। আইদেন্টিফাই তৌরবা লৈখিদ্রবা মীওই ২৯ গী মনুংদা ইমুংগী মীওইশিংদা ঐখোয়না পাউ পীখ্রে। মীওই মঙা এইমসতা লাক্লে অতৈসু থুনা লাক্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পনবা য়াবদি, জুন ২ গী নুমিদাংদা ওরিষাগী ভলাশ্বর দিষ্ট্রিক্টকী বহানাগা বজার রেলৱে ষ্টেসনগা নক্লনা থোকখিবা শাথিরবা এক্সিদেন্ট অমদা হৌরা য়ৌগদবা এস এম ভি পি-হৌরা সুপর ফাষ্ট এক্সপ্রেস অমসুং পোৎ চৈ



পুবা ট্রেন অমগা থেঙ্গাইনখিবনি।

শিখিবা মীওই পুম্নমক্কী মনুংদা পুন্না হকচাং ৮১ আইদেন্টিফাই তৌদনা লৈরকখি। অশিবা হকচাং অমবু মীওই কয়ানা ক্লেম তৌরকপদগী গভর্ণমেন্টনা হকচাংশিং শিন্নবগী প্রোসেস লেপখিবনি। অতৈ হকচাংশিং অদু মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং ভেরিফিকেসন তৌরবা মতুংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংগী মীওইশিংদা শিন্নখ্রবনি।

ভিক্তিমশিং অদুগী শম, য়া, শরূ, খুজিল অমসুং মসল টিস্যুগী সেম্পলশিং ন্যু দিল্লিদা লৈবা সেন্ট্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি (সি এফ এস এল) দা থাখি। থাখিবা সেম্পলশিংদুগী মনুংদা লাকখিবা হকচাং ২৯ গী দি এন এ রিপোর্টশিং ক্লেমেন্টশিংনা তৌরিবা ক্লেমশিং অদুগা চান্নখি। ৱাৎহৌরিবা হকচাংশিং অদুগী টেষ্ট রিপোর্টশিংসু মতুং তাঙ্কক অনী থোক্লা লাক্লগনি।

দি এন এ রিপোর্টশিং থুংলবগী পাউ ফঙবদগী ট্রেন এক্সিদেন্ট অদুগী ভিক্তিমশিং এইমস ভুবনেশ্বরদা চঙশিন্নখি অমসুং মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিং অদুগী হকচাংশিং লৌননবা ঙাইখি। হোস্পিটালগী প্রেমিসেসতা ভুবনেশ্বর ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন, রেলৱে, ওরিষা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং এইমসকী ওফিসরশিংসু লৈবা উখি।

# ইল্লিগেল মাইনিং এক্তিভিটিশিং মোনিটর তৌনবা স্পেসল টিমশিং শেম্নবা খঙহনখ্রে

**গুরুগ্রাম, জুন ৩০ (এজেন্সী):**

গুরুগ্রামদা লোনা য়াদবা মওংদা চথুরিবা মাইনিংগী থবকশিং য়েংশিন্নবগীদমক্তগা স্পেসল মোনিটরিং টিম মঙা শেম্নবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দিপ্যুটি কম্মিস্নার (দি সি) নিসান কুমার যাদব য়াওনা ইরাই নুমিত্তা মরী লৈনবশিংদা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে।

দিসি যাদবনা হায়খি, মদুদি স্পেসল টিমশিং অদুনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথুরিবা ইল্লিগেল মাইনিংগী থবকশিংদা চেন্নবা গাড়ীশিং মোনিটর তৌগনি অমদি মরাল লৈবশিং অদুগী মায়োক্তা দিপার্টমেন্টনা এক্সন লৌখৎপগী প্রোসেসতা মতেং পাঙগনি।

দিসিনা ইন্সট্রক্সন অদু ইরাই নুমিত্তা মহাক্না প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোক্লিবা দিষ্ট্রিক্ট থাক্কী টাস্ক ফোর্স কম্মিটিগী মীটিংদা পাস তৌখিবনি।

চীফ সেক্রেটরি সঞ্জিৎ কৌসলগী চিয়রমেনশিপ মখাদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট থাক্কী টাস্ক ফোর্স কম্মিটিগী মীফম অদুদা পীরকখিবা ইন্সট্রক্সনশিং অদুগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট অদুদা স্পেসল টিম মঙা অদু শেম্লিবনি।

টিমশিং অদুনা বোন্সি, সোহানা, পঞ্চগাউন অমসুং পটৌদি য়াওনা ফরুক নগর এরিয়াদা চথুরিবা ইল্লিগেল মাইনিংগী থবকশিংদা চেন্নবা গাড়ীশিং মোনিটর তৌবগা লোয়ননা ওফেন্দরশিংগী মায়োক্তা ফাইনশিং ইস্যু তৌগনি। তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ফিল্ড ওফিসরশিংসু স্পেসল টিমশিং অদুদা য়াওগনি হায়না যাদবনা ফোঙদোকখি।

ইল্লিগেল মাইনিংগী থবকশিংদা চেন্নবা গাড়ীশিং ফাজিন্নবগীদমক্তা দিসিনা গুরুগ্রাম অমসুং পঞ্চগাউনগী পার্কিংদা সি সি টি ভি কেমেরাশিং ইন্সটোল তৌনবসু ইন্সট্রক্সন পীখি। দিষ্ট্রিক্ট মাইনিং ওফিসর অনিল কুমারগী মতুং ইন্না মাইনিং দিপার্টমেন্টনা জুন থাদা গুরুগ্রাম দিষ্ট্রিক্টতা চথুরিবা ইল্লিগেল মাইনিংগী থবকশিংদা চেন্নবা গাড়ী মঙা ফাখি। গাড়ী মঙাদুগী মনুংদা অমদি লূপা লাক্ষ ৪.৪০ গী পেনাল্টিগা লোয়ননা থাদোকখ্রে।

# এল সি এ টেজাস আই এ এফকী সর্ভিসতা লৈরকপা চহী ৭ মপুং ফারে

**ন্যু দিল্লি, জুন ৩০ (এজেন্সী):**

লৈবাক অসিনা শাজবা লাইট কম্বেট এয়রক্রাফট (এল সি এ) ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী সর্ভিসতা লৈরকপা কুমজা ২০২৩ গী জুলাই অমদা চহী তরেৎ মপুং ফারগনি। কুমজা ২০০৩ দা টেজাস হায়না মিংথোনখিবা এয়রক্রাফট অসি মালেমগী খ্বাইদগী ফবা এয়রক্রাফটশিংগী মরক্তা চনবা মল্টি-রোল প্লেটফোর্ম অমনি।

এয়রক্রাফট অসি এয়র দিফেন্স, মেরিটাইম রি-কোনিসন্স অমসুং ষ্ট্রাইক রোলশিং পাঙথোকপা য়ানবা মওংদা দিজাইন তৌখিবনি।

ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ) কী মতুং ইন্না টেজাসতা ফোর্স অসিনা মখা তানা থাজবা থল্লি হায়বসি এল সি এ এম কে-১ এগী এয়রক্রাফট ৮৩ গী ওর্দর তৌখিবা অসিনা উৎলি। এয়রক্রাফটশিং অসিদা অপদেট তৌরবা এভিয়োনিক্স, এক্তিভ ইলেক্ট্রোনিকেল্লি ষ্টেয়র্দ রাদর, ইলেক্ট্রিক ৱারফেয়র সুট অমসুং বিয়োং ভিজুয়েল রেঞ্জ মিসাইল অমা য়াওগনি।

আই এ এফকী ওফিসলশিংনা হায়রিবদি অনৌবা ভেরিয়েন্ট অদু



অহেনবা ষ্টেন্দ-ওফ রেঞ্জশিংদগী মখল কয়াগী খুৎলায়শিং কাপ্পা ঙমগনি। ভেরিয়েন্ট অসিদা য়াওগদৌরিবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা খুৎলায় কয়াদি লৈবাক অসিনা শাজবশিং ওইগনি। এল সি এ এম কে-১ এ অসিনা এয়রক্রাফটকী ইন্দিজিনস কন্টেন শীংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎহল্লগনি।

এয়রক্রাফট অসি কুমজা ২০২৪ গী ফেব্রুৱারীদা দেলিভর তৌবা হৌরবা য়াই হায়না পানখি। লাক্কদৌরিবা চহীশিংদা এল সি এ অমসুং মসিগী তুংগী ভেরিয়েন্টশিংনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সতা মরু ওইবা খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরগনি।

আই এ এফনা হায়রি, মদুদি টেজাস এয়রক্রাফটশিং অসি শীজিন্নবদা লুদে অমসুং মেন্যুবরেলিটিগী চাংসু হেনগৎহল্লে। মসিদা নত্তনা মল্টি-মোদ এয়রবোর্ন রাদর, হেলমেট মাউন্টেদ দিসপ্লে, সেল্ফ-প্রোটেক্সন সুট অমসুং লেজর দেজিগনেসন পোর্টকা লোয়ননা এয়রক্রাফট অসিগী কেপেবিলিটি মখা তানা হেনগৎহল্লে।

টেজাস ইন্দক্সন তৌখিবা আই এ এফকী অহানবা স্কাদ্রোন অদু ফ্লাইং দেগর্স হায়না খঙনবা নম্বর ৪৫ স্কাদ্রোন অসিনি। হৌখিবা চহী কয়া অসিদা স্কাদ্রোন অসি লেপ্পুনা প্রোগ্রেস লৈবনা ভেম্পেয়র্সতগী নেটশিং শীজিন্নবগী থাক য়ৌরকখি। মদুগী মতুংদা মিগ-২১ বিচ শীজিন্নরকখি।

মিগ ফাইটর এয়রক্রাফট অসিগী মতুংদা হৌজিক লৈরিবা ইন্দিজিনস এয়রক্রাফট অসি শীজিন্নরকখিবনি। ফ্লাইং দেগর্সনা পাইখিবা এয়রক্রাফটশিং লাইসেন্স প্রদক্সনগী খুথাংদা নত্ত্রগা ইন্দিয়াদা দিজাইন তৌরগা দিভলপ তৌবগী খুথাংদা লৈবাক অসিদা শাবা ঙাক্তনি।

# রসিয়ন জেনরেল সর্গি সুরোবিকিন ৱেগ্নরগী অরোনবা ভি আই পি মেম্বর ওইরম্লে

**মোস্কো, জুন ৩০ (এজেন্সী):**

রসিয়াগী টোপ মিলিটরি কম্মান্দর জেনরেল সর্গি সুরোবিকিন অসি রসিয়াগী সেনিয়র মিলিটরি ওফিসলশিংগী মরক্তা য়ুনিটি লৈতে হায়বা উৎখিবা অতেনবা মতমগী লালহৌ অমা পাঙথোকখিবা প্রাইভেট মিলিটরি কম্পেনিগী ৱেগ্নরগী অরোনবা মিলিটরি মেম্বরনি হায়বসি দোক্যুমেন্ট খরনা উৎখ্রে।

সি এন এনগী রিপোর্ট অমনা হায়রিবদি রসিয়ন ইনভেষ্টিগেটিব দোসিয়র সেন্টরনা ফংখিবা দোক্যুমেন্টশিং অদুনা জেনরেল সুরোবিকিনবু কুমজা ২০১৮ দা পর্সনেল ভি আই পি ৱেগ্নর রেজিষ্ট্রেসন নম্বর অমা এসাইন তৌখি হায়বসি উৎখি।

সুরোবিকিন অসি দোসিয়র সেন্টর অদুনা ৱেগ্নরগী অতোপ্পা ভি আই পি মেম্বরশিংনি হায়রিবা রসিয়ন মিলিটরি অমসুং ইন্টলিজেন্সকী অতৈ সেনিয়র ওফিসল ৩০ গা লোয়ননা লিষ্টতা য়াওরি।

ওফিসলশিং অদুগী মশক মমিংশিংদি ফোঙদোকপা লৈত্রি। জেনরেল সুরোবিকিন ৱেগ্নরগী পেরোলদা লৈখি হায়বগী ইভিদেন্স লৈত্রবসু মশিং য়াম্লবা সেনিয়র ফিগরশিংগী ভি আই পি মেম্বরশিপ অদুনা রসিয়ন মিলিটরি অমসুং মর্সিনরি গ্রুপ অসিগী মরক্তা কা হেন্না চেৎপা মরী লৈ হায়বসি উৎলি।

ৱেগ্নরগী মায়কৈদগী হিরম অসিগা মরী লৈননা সি এন এনদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। ৱেগ্নর অমসুং রসিয়ন মিলিটরিগী মরক্তা লোয়েলটিগী মতাংদা খাইবুং খাইবুংনবগী চিংনবা লৈরিবা অসিনা গ্রুপ অসিগী ফাইটরশিংবু খা থংবা সিটি রেষ্টোন-ওন-দোনদা লৈবা মরু ওইবা বেজ অমা পায়বা ঙমহনখিবদা থোইদোকপা থৌরাং অমা লৌরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

# হাউথিশিংগী দ্রোন এটেক্তা গভর্ণমেন্ট লান্মী মরি শিখ্রে

**অদেন, জুন ৩০ (এজেন্সী):**

য়েমেনগী খা থংবা দলিয়া প্রোভিন্সতা হাউথি মিলিসিয়ানা চথুখিবা দ্রোন এটেক অমদা য়েমেনি গভর্ণমেন্টগী লান্মী মরি শিখ্রে হায়না মিলিটরি ওফিসল অমনা মেদিয়াদা ফোঙদোরক্লি।

মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা ওফিসল অদুনা এজেন্সিদা ফোঙদোক্লিবদি হাউথি মিলিসিয়ানা এক্সপ্লোসিব য়াওবা দ্রোন অমা দিপ্লোই তৌদুনা দলিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তগা লৈরিবা প্রো গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মিলিটরি ইন্সটোলেসনশিংদা টার্গেট তৌখি।

দ্রোন এটেক অদুদা লান্মী মরি শিখি অমসুং অতৈ কয়ানা অশোক অপন নঙখি। আর্মর ভেহিকল অমা মপুং ফানা মাঙ তাকখিবগা লোয়ননা এটেক অদুদা মিলিটরি সাইট অদুদা অমাঙ অতা কয়াসু থোকখি। দলিয়াগী গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী পোজিসনশিংগা নক্লনা হাউথি রিএনফোর্সমেন্টশিং থুংখিবগা চান্নবা এটেক অদু চথুরকখিবনি হায়খি।

মহাক্কী মতুং ইন্না হাউথিশিংনা হৌজিক হৌজিক প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌরিবা খা থংবা প্রোভিন্সশিংগী অতৈ ফ্রন্টশিংদসু এটেক কয়া চথুদুনা লাক্লি। হাউথিশিংনা মালেম্না শকখঙবা য়েমেনি গভর্ণমেন্টগা কন্না লান শোক্লরকখিবগা লোয়ননা য়েমেনদা কুমজা ২০১৪ দগী সিভিল ৱার অমা থোক্তুনা লাক্লি। য়ুএননা ৱাতেমদুনা কুমজা ২০২২ গী এপ্রিলদা পুরকখিবা হ্যুমেনিটরিয়ন ট্রুষ্ট অমগী মতম হৌখিবা চহীগী ওক্তোবরদা লোইখ্রবনি।

CAS Coaching Centre
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
Admission Open (New Batches)
FOUNDATION COURSES
Hurry!!! Seats are Limited First Come First Served
CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS X (English, Maths, Science & Social Science)
Special features:
- Experienced and Expert Faculties.
- Special Concession for Meritorious, Govt. School, Single Parent, Ethnic Victim, Differently abled Students.
- Counselling & Extra Classes for Slow Learners
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2024.
Hostel for BOYS & GIRLS Available
Classes Commencing from 6th July, 2023
# Morning:(4.30- 7.00) A.M. # Evening:(3.30- 6.30) P.M.
For Details Contact:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal(Mayai Lambi Machin) # 6033817130
HL-P/6960/30-6 to 29-7

(A co-educational Hr. Sec. Affiliated to COHSEM)
DELTA ADVANCE SCHOOL
Kwakeithel Bazar, Imphal
ADMISSION OPEN
for Class XI (Science & Arts)
first come first serve (in view of the Present situation)
80% & above ☞ FREE Admission + 50% exemption on FEEs
70% & above ☞ ADMISSION ₹1,000/-
3 months school fee should pay at the time of Admⁿ.
60% & above ☞ ADMISSION ₹2,000/-
below 60% ADMISSION ₹5,000/- only
HOSTEL, seats are limited
Office Timing: (Sunday Open) 7:00 am to 4:00 pm
Last date of Admⁿ. extended till : 7th July, 2023
We have 2 years Integrated course for NEET & JEE
Bus & Van service
Hostel for Boys/Girls
# For Forms & Admission, pls. visit Office of DAS or contact: Principal or 8575348209 / 8014684119
Free Admission & Tuition fee for 1 year for students staying in the Relief Camp
HL-P/6925/1-7

MILLENNIUM INSTITUTE OF SCIENCES
Kwakeithel Mayaikoibi, Imphal-01
ADMISSIONS OPEN FOR CLASS-XI SCIENCE 2023-24
Special Facilities for students securing 65% and above on limited seats based on first come first serve.
- 80% and above but below 88% in HSLCE, 2023 (Limited Seats):- Free admission fee & Free notebook.
- 88% and above but below 90% in HSLCE, 2023 (Limited Seats) :- Monthly Scholarship from Rs. 2000/- to 4000 /- according to the financial condition of the student on limited seats, Free Admission & Monthly Tuition Fee, Free notebook.
- 90% and above in HSLCE, 2023 (Limited Seats) :- Monthly Scholarship from Rs. 5000/- to 12,000 /- according to the financial condition of the student on limited seats and Free Hostel Facilities on 90% and above in HSLCE 2023, Free admission & Monthly Tuition Fee, Free Uniform, Free Notebook & Prescribed Text Books grant.
➢ School Admission Counter for Prospectus and Admission Form during office hour (8:00 am. to 2:00 pm.).
For details contact school office or 9863562803, 6909298070, 6009936247, 6909298071 (during office hour from 8:00 am. to 2:00 pm.)
HL-P/6922/22 June to 1 July

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE COMMISSIONER OF EXCISE, MANIPUR**
**OFFICE MEMORANDUM**

Imphal, the 28th June, 2023

No. Ex/3/ADH/84(pt-I)/: It is hereby informed to all the applicants who have applied for appointment under Die-in-Harness Schemes in Excise Department to submit the following documents:-

1. Self application requesting for appointment under Die-in Harness
2. Initial appointment orders (of the deceased Excise Officials)
3. Service termination order
4. Death certificate issued by the Sub-Register of Birth & Death
5. Family list certified by SDO concerned
6. No objection certificate issued by SDO concerned
7. Legal wife affidavit
8. Income certificate
9. Land valuation certificate
10. Educational Qualification certificate
11. In case of transfer of applicant opting to other Department due to insufficient vacant posts or personal reason, he/ she may do so subject to the seniority list maintained in this office shall be omitted/cancelled.
12. Undertaking Affidavit to look after the deceased family members if appointed under DIH through all the DDOs concerned within 15 days from the date of issue of this Memorandum failing which their seniority list/ grade will be place below the applicants who have already submitted all the required documents

Sd/- Th. Brucelee Khuman
Superintendent of Excise, Manipur

HL-P/6867/30,1,2